# চীংমী তম্মীগী অপুনবা ইফতার পার্টিনা অপুনবা মণিপুরগী ফীরেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৬ঃ

মুসলিমশিংগী রামজান চাকহেন থাগা মরী লৈননা মণিপুরগী চীংমী তম্মীগী অপুনবা ইফতার পার্টি অমা অলহজ মৌলানা শৈখ বরখাতুল্লাহ ত্রষ্ট অমদি ওল মণিপুর মুসলিম ডিভলেপমেন্ট কমিতি লিলোংনা পুন্না শীন্দুনা অলহজ মৌলানা বরখাতুল্লাহগী শঙলেনদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

ইফতার পার্টি অসিদা লেকচরর অব্দুল রহমন, উর্দু ইডুকেসনেল বোর্ড মণিপুরগী চীয়ায়মেন অলাহজ মৌলানা বরখতুল্লাহ, ইউনাইটেদ কমিতি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল্লাংবম জোন্সন, কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরী কেঐচ বীদ্যানন্দনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি স্পিসিয়েল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

নাগা অমদি কুকিগী শকনায়রবা সিভিল সোসাইতিগী লুচিংবশিংনসু শরুক য়াখিবা ইফতার পার্টি অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা মণিপুরগী মপান্দগী মীওইশিংনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তমদা শিংনরকপা অমদি মসিদা লমদম অসিদা খুন্দরিবা মীওই কাংলুপ খুদিঙমক্না অমতা ওইনা লেপমিন্নদুনা মায়োকয়াবগী তঙাইফন্দবা অদু পন্নখি। লোয়ননা মণিপুরগী লাইবকতি মণিপুরদা খুন্দারিবা মণিপুরীশিংনা লেপচগদবনি হায়বা ফীরেপ লৌমিন্নখি।

থৌরম অদুদা অলহজ মৌলানা বরখাতুল্লানা ইবা হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী মরমদা ইবা লাইরিক অমা অমদি অশুম্বসি লৈরিব্রা হায়বা অমগা তিল্লিবা মীয়ামদা য়েহ্নোকখি। ইফতার পার্টি অদু লোইরকপগা নমাজ শোনবা অমদি দুৱা পাঙথোকখি।

# ভাইভা ভোসি পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ৬ঃ

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ষ্টোর এসিষ্টেন্ট, ফামাস অমদি কুক লৌবগী ভাইভা ভোসি পাঙথোক্কদৌরি।

ষ্টোর এসিষ্টেন্ট কীনা জুলাই ১১ গী পুং ১১ দা ফরাস কীনা জুলাই ১২ গী পুং ১১ দা অদুগা কুক কীনা জুলাই ১৩ গী পুং ১১ দা পাঙথোক্কনি হায়রি।

ফমশিং অসিগীদমক্তা এপ্লাই তৌখ্রবা কেন্দিদেটশিংনা ভাইভা ভোসি পাঙথোক্কদৌরিবা নুমিৎকী মাঙওইননা এডমিট কার্দ লৌনবা অমদি মথক্তা পনখ্রিবা নুমিৎ অমদি মতমশিং অসিদা ওরিজিনেল টেষ্টিমোনিয়েলশিংগা লোয়ননা লাক্কবা এসেমব্লি সেক্রেটরিয়েটনা খঙহল্লি।

# পি ডব্লিউ ডি ৱার্ক চার্জশিংগী ইমর্জেন্সি মীতিং পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ৬ঃ

পব্লিক ৱার্ক ডিপার্টমেন্ট (পি ডব্লিউ দি) দা ৱার্ক চার্জ ওইনা থবক তৌরিবা এপ্লোইশিংগী ইমর্জেন্সি জেনরেল বোডি মীতিং অমা হয়েং জুলাই ৭ কী নুংথিল পুং ১ তাবদা পি ডব্লিউ দি কমপ্লেক্সতা লৈবা জোইন্ট কো ওর্দিনেটিং কমিতি ওফ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টকী ওফিসতা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

সার্ভিস রিগুলরাইজেসনগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং খন্নগদৌবা মীতিং অসিদা ৱার্ক চার্জ এপ্লোই খুদিংমক্না শোয়দনা লাক্কদবনি। লাক্তবশিংগী মতুং তাবা ৱাকৎ লৌরোই হায়রি।

# ইলেক্সন কমিসনগী টিম মণিপুরদা লাক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ৬ঃ

মথং চহী ২০১৭ কী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ইলেক্সনগা মরী লৈননা ইলেক্সন কমিসন ওফ ইন্দিয়াগী ফুল কমিসন অমা মণিপুরদা আগষ্টকী অহৌবা চয়োলদা লাক্কদৌরি।

ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অসিগী মতুং ইন্না মণিপুরগী ইনচার্জসু ওইরিবা কমিসন অসিগী ডাইরেক্টর জেনরেল সুন্দীপ সু ইম্ফালদা জুলাইগী অরোইবা শরুক্তা লাক্কনি হায়রি।

ষ্টেট অসিদা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেচিনগী ট্রেনিং চথবা য়েংশিন্নবা ইলেক্সন কমিসননা মসিগী ওফিসিয়েলশিং থারক্লেসু হায়রি।

# চাইল্ড ৱেলফিয়ারগী নেস্নেল এৱার্ডকী এপ্লিকেসন কৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ৬ঃ

ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী ৱুমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিনা ২০১৫–১৬ ওইনা নেস্নেল এৱার্ড ফোর চাইল্ড ৱেলফিয়ার পীনবগীদমক এপ্লিকেসন কৌরি।

অঙাংগী য়াইফ থৌরাংগী থবক তৌবা লন্নাই মীওই অহুম অমদি ইন্সটিটুট্যুসন মঙাদা পীগদবা এৱার্ড অসি লন্নাই মীওইগী ওইনা লুপা লাখ অমা অমদি সাইটেসন অমা অদুগা ইন্সটিট্যুসনগী ওইনা লুপা লাখ অহুমগা সাইটেসন অমগনি।

হিরম অসিদা থৱায় য়াওবা লন্নাই মীওইশিং অমদি ইন্সটিট্যুসনশিংনা সেকেন্দ এম আর গেটতা লৈবা সোসিয়েল ৱেলফিয়ার ডাইরেক্টোরেটতগী অকুপ্পা মরোল অমদি ফোর্ম লৌরগা জুলাই ফাওবগী মনুংদা এপ্লিকেসন পীশিনবা য়াগনি হায়রি।

# হৈরোক্তা ফ্রি কোচিং ক্লাস চৎথরি

ইম্ফাল, জুলাই ৬ঃ

হৈরোক্তা লৈরিবা ৫৪শুবা বোডর সিক্যুরিটি ফোর্সকী পোষ্টনা শীন্দুনা চৎথরিবা ফ্রি কের্চিং ক্লাসতা হৈরোক্কী মহৈরোই ৭৫ রোমনা শরুক য়ারি হায়রি।

পোষ্ট অসিগী জৱানশিংনা শীন্দুনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হৈরোক লিতান মখোঙদা ইন্টর এক্সন প্রোগাম অমসু পাঙথোকখি। ইন্টরএক্সন অদুদা প্রি রিক্রুইটমেন্ট ত্রেনিং অমদি হৌজিক চৎথরিবা ফ্রি কোচিং ক্লাস অদুগী মতাংদা মরীক চুন্না খন্নখি।

থৌরম অদুদা লমদম অদুগী প্রধান, ৱার্দ মেম্বর মহৈরোইশিংগী মমা মপা অমদি মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি হায়রি।

# এসে ইবগী চাংয়েং পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ৬ঃ

মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওঠোরিটিনা শীন্দুনা মেকোলা হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা মহৈরোইশিংগী এসে ইবা চাংদম্নবগী থৌরম অমা হয়েং জুলাই ৭ কি পুং ১১ দা পাঙথোক্কনি হায়রি।

ক্লাস ঐইট তগী টেন ফাওবা অদুগা ক্লাস এলবেনদগী টুয়েলভ ফাওবা কেটেগোরি অনী থোক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা এসে চাংদম্নবা অসিগী টোপিকতি "ফন্দামেন্টেল রাইটস অন্দর ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন হায়বসিনি।

ৱাহে ২০০ দগী ৩০০ ফাওবগী মনুংদা পুং ১ গী মনুংদা ইবগী চাংয়েং অসিগী কেটেগেগোরি অনী অসিগী অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা লোয়ননা কন্সোলেসন ১০–১০ দা শেলগী মনা অমদি সার্টিফিকেট পীগনি।

এসে চাংদম্নবগী থৌরম অসিদা মণিপুর গভর্নমেন্ট হয়ার সেকেন্দরি লেকচরর ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী মেম্বরশিংনা মতেং পাংগনি হায়রি।

# মৈ নিংথিনা শীজিন্নবগী মতাংদা মীয়ামদা ভাব তাহনগদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ৬ঃ

মণিপুর ষ্টেট পৱার ডিষ্ট্রিবুসন কম্পেন অমদি জোইন্ট ইলেক্ট্রিসিটি রিগুলেটরি কমিসন অনীনা খুৎশন্নদুনা বীষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা মৈ নিংথিনা নিয়ম চুন্না শীজিন্নবগী মতাংদা মীয়ামদা ভাব তাহনবা এৱায়ারনেস কেম্পেন অমা চৎথনবা থৌরাং তৌখ্রে।

জুলাই ১১দা মোইরাংগী আই এন এ হোলদা, জুলাই ১৩দা ক্বাকতা বজারগী কম্যুনিতি হোলদা অদুগা জুলাই ১৫দনা বীষ্ণুপুরগী কিয়াম্বা শঙলেন্দা এৱারনেস কেম্পেন অসি পাঙথোক্কনি হায়রি।

কেম্পেন অসিদা মীয়ামগী লুচিংবশিং, মীয়ামগী মীহুৎশিং ক্লব ওগেনাইজেসনশিংগী মেম্বরশিং অমদি মীয়ান্না শরুক য়ানবা খঙহল্লি।

# পঞ্চয়েটিরাজ মিনিষ্ট্রিনা এৱার্ডকী নোমিনেসন কৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ৬ঃ

ইন্দিয়া গভর্নমেন্যকী পঞ্চয়েটটি রাজ মিনিষ্ট্রিনা ২০১৭ (এপ্রাইজেল ইয়ার ২০১৫–১৬) কী ওইনা পঞ্চায়েট শক্তিকরন পুরস্কার, রাষ্ট্রিয় গৌরব গ্রাম পুরস্কার অমদি মহাত্মা গান্ধি নেস্নেল রুরেল এপ্লোইমেন্ট গেরেন্তি স্কিম ফজনা থবক পায়খৎপগী মনা পীনবা ওন লাইনদা এপ্লিকেসন কৌরি।

পঞ্চায়েটনা (গ্রাম, ইন্টরমেডিয়েট নৎত্রগা ডিষ্ট্রিক্ট লেভেলদা মাগী মাগী থাক্কী মতুং ইন্না) এৱার্ডশিং ওন লাইনদা আগষ্ট ২০ ফাওবগী মনুংদা থাজিনগদবনি। অদুগা ষ্টেট গভর্নমেন্ট–য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংনা নোমিনেসন সেপ্টেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা পীশিনগদবনি।

এৱার্ডশিং অসিগী অকুপ্পা মরোল মিনিষ্ট্রিগী ৱেভসাইট http: // panchayata ward. gov. in দগী খঙবা য়াগনি।


## HONDA ACTIVA STOLEN

My scooter Honda Activa (Grey) bearing Regn. No. MN01F-6866, having Engine No. JF50E72333687 and Chassis No. ME4JF504JF7333593 had been stolen away by some unknown person(s) which was parked under lock and key at in front of War Cemetry gate, Dewlahlane Imphal today i.e. 6/7/2016 at around 1:30 pm. and could not trace out till now.

If anybody come across the said vechicle, kindly contact the nearest Police station or the undersigned.

Sd/-
NINGTHOUJAM MOTILAL SINGH
S/o N. Shyamkishor Singh
of Nongmaikhong Makha Leikai, TBL Dist.
Mobile No. 7085842727

SL/789/7



## ORIGINAL CERTIFICATE LOST

I have lost my Original Certificate and Marksheet of Class XII, bearing Roll no. 13206 of 2007 Examination issued by Council of Higher Secondary Education, Manipur, on the way in between Keishamthong and Thangal Bazar on 4/07/2016.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/-
KONGKHAM IBOTOMBI SINGH
Keishamthong Hodam Leirak, Imphal

SL/790/7



## Jivkaran Group of Institutes

Affiliated to Sardar Patel University

ADMISSION OPEN FOR YEAR : 2016-17

Contact: Rabichandra - 08758776165, Ratanjit - 07069427421

| Course | Eligibility | Fees (Per Sem.) | Hostel Fees |
|---|---|---|---|
| BAC | 12th Pass with English | Rs. 11,000/- | Rs. 10,000/- per year |
| BBA | | Rs. 10,000/- | |
| B.COM | | Rs. 5,000/- | |
| BSW | | Rs. 7,500/- | Institute will provide food free of cost |
| MSW | Any Graduate Pass with English | Rs. 15,000/- | |

Nr. Bhaikaka Library, Opp. Architect College
Vallabh Vidyanagar-388 120
Gujarat Ph: (02692) 234422, 234425
Mo.: 96620 45578, website: jivkaraninstute.org

SL/B/05-11July

SUNDAY OPEN


# স্কুলশিংদা লাইরিক তম্নবগী নুমিৎ ১৩০ নিদগী হেন্না ফংদে

ইম্ফাল, জুলাই ৬ঃ

লমদম অসিদা য়াম্না তোয়না চথরিবা বন্দ জেনরেল ষ্ট্রাইক অমদি মখল মখা কয়াগী খোঙজংশিংনা স্কুলশিংগী একাদমীক কেলেন্দরদা শাথিবা শাফু পী। স্কুলশিংনা চহী অমগী নুমিৎ ৩৬৫ নিগী মনুংদা সুপ্নগী নুমিৎ ১২০–১৩০ নিদগী হেন্না লাইরিক তম্নবগী খুদোং চাবা ফংদে।

ডি এম কলেজদা সেদামনা শিনবা ফ্রি ইডুকেসন জোন দিমান্দ দে গী থৌরম য়াওবা লাকপদা কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি ইডুকেসন মণিপুর (কোসেম) গী সেক্রেটরী ডা. এম বীদ্যশাগরনা পাউমী খরদা ফোঙদোকখিবা মতুং ইন্না মণিপুরগী স্কুলশিং অসি অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা চাংদম্নবদা সিলেবস কোভর তৌবগী চাং অসি য়াম্না নেম্মী। ফীভম অসি অসুম চথবা তারবদি ষ্টেট অসি ইডুকেসনগী লমদা য়াম্না শোৎথহৌবগী ফীভম লাক্কনি।

অতোপ্পা নাকল অমদনা নন ষ্টেট এক্তরশিংনা ইডুকেস্নেল ইন্সটিট্যুসনশিংগী থবক থৌদৌদা খূৎ থিংজিনবা অসিনসু একাদমীক এডমোসফিয়ারদা চাওনা অকায়বা থোকহল্লি। মরম অদুনা মীয়ান্না ইডুকেসনদা করিগুম্বা মখলগী অকায়বা থোকহন্দবা খোল্লাও লাওমিন্নবগী তঙাই ফন্দবা লাক্লে হায়রগা কোসেমগী সেক্রেটরীনা ফোঙদোকখি।

EMPLOYMENT NEWS

## থবক্কী পাও

**BSNL Recruitment 2016, 2700 Junior Engineer Posts Apply Online, BSNL TTA Jobs Online Application Form**

Name Organization: Bharat Sanchar Nigam Limited
Total No. of posts: 2700
Post Name: Junior Engineer (Esrtwhile TTA)

| Name of Circle | No. of Posts |
|---|---|
| Andaman & Nicobar | 12 |
| Assam | 116 |
| Andhra Pradesh | 76 |
| Bihar | 34 |
| Chhattisgarh | 17 |
| Chennai Telephones | 80 |
| Gujarat | 206 |
| Himachal Pradesh | 73 |
| Haryana | 160 |
| Jammu & Kashmir | 79 |
| Karnataka | 120 |
| Jharkhand | 19 |
| Kerala | 100 |
| Madhya Pradesh | 78 |
| Kolkata Telephones | 80 |
| Maharashtra | 224 |
| North East-II | 34 |
| North East-I | 132 |
| NTR | 15 |
| Punjab : | 400 |
| Odisha | 43 |
| Rajasthan | 100 |
| Uttar Pradesh (East) | 80 |
| Tamil Nadu | 198 |
| Uttar Pradesh (West) | 80 |
| West Bengal | 115 |
| Uttaranchal | 29 |

BSNL Recruitment 2016 Age Limit: The minimum age of candidate is 18 years and maximum age is 30 years as on date 1st Aug 2016. The relaxation in age for reserved candidates will be given as per Indian government rules and regulations.
BSNL Engineer Vacancy 2016 Educational Qualification: Candidates should have B.Tech/B.E degree in post relevant discipline from recognized University.
BSNL Junior Engineer Vacancy 2016 Salary: Rs. 13600 to Rs. 25420/-
BSNL Junior Engineer Jobs 2016 Important Dates:
Start date for BSNL Online Application Form Submission: 10th July 2016
Last date for submission of online application Form: 10th August 2016
Date for BSNL JE Recruitment Exam 2016: 25th September 2016
BSNL Recruitment 2016, 2700 Junior Engineer Posts Apply Online: BSNL JE TTAA Jobs 2016 Application Form:
Eligible candidate can apply by fill Bharat Sanchar Nigam Limited Jobs 2016 application form through online mode before 10th August 2016. Applicants are required to upload the scanned photograph in passport size and colored and also upload signature in specified format. Candidates have to submit BSNL Online application form before last date. You may use the following steps to fill Application Form.
How to apply online for BSNL Jr Engineer Vacancy 2016
Visit at official web page bsnl.co.in/.
Go to the recruitment advertisement link.
Open it and Read the official Notification carefully
Click on the Apply Online Link
Fill the online application form with authentic details and attach all the necessary document scanned copies
Finally, submit the application form after rechecking it till 10th August 2016.
BSNL Junior Engineer Recruitment 2016 Application Fee: Applicants need to pay the below-given application charges through online mode only, i.e. Credit Card, Debit Card, Internet Banking.
General/ OBC: Rs. 1000
ST/ SC: Rs. 500
Selection Process: The selection of candidates will be made on their academic record, Merit, and personal interview.
Employment Criteria: This recruitment is only for the period of training, and no candidate can claim as the employee in BSNL.
BSNL Junior Engineer Vacancy 2016:
Candidates who are seeking jobs as the startup have a good chance. For applying to BSNL Engineer Jobs 2016, candidates have to send their application in a prescribed format before 31st March 2016. Regarding BSNL Recruitment 2016, we have given all the information still if anyone faces an issue can give their comment in the box. We will help you immediately for the same.
BSNL DSA UP (East) Recruitment 2016: The Bharat Sanchar Nigam Limited, Uttar Pradesh East Zone has decided to conduct the recruitment for nearly 10000 vacancies (Tentative) on direct selling agent post. The BSNL released onl.ine application for DSA in BSNL UP (East). Candidates who are searching the jobs in BSNL they must do their online registration before last date. Applicant can apply for BSNL Recruitment 2016 from official website upe.bsnl.co.in. All details related to vacancies, education, age and applying mode are given below here.
Bharat Sanchar Nigam Limited is the India's largest telecommunication network and it is wholly owned by government of India. BSNL headquartered at New Delhi. We know it's having large number of branch wise offices in each state. Whenever they need manpower, it releases notifications to recruit young and talented people for the smooth run of organization. Bharat Sanchar Nigam Limited Offers various plans and schemes to attract customers and provides better facilities. For that it needed Direct Selling Agents (DSA) in Uttar Pradesh state. So, it has released the BSNL Direct Selling Agent Recruitment 2016 notification for nearly 10,000 vacancies (tentative).
BSNL DSA UP (East) Vacancies Details:
Total number of posts: 10000 posts nearly
Post Name: Direct Selling Agent
Educational Qualification: Candidates should pass 10th class from any recognized board of state or central government.
Age Limit: Not given in detailed notification.
Important Dates:
Last date of application is not given but application process has already started.
BSNL Recruitment 2016, Register Online for DSA in BSNL UP (East):
Eligible candidates will start their registration through online mode. We are updating some steps and links here for filling online application form. The registration will be done in three phases i.e. firstly fill form and upload all require documents & last click on submit button.
Candidates may open the site upe.bsnl.co.in.
You select the desire recruitment link.
You must read detailed notification and click on online application link.
Fill form with all correct details and submit before last date.
Application Fee: Candidates will have to deposit Rs 500/- for security form at the time of Interview.
Selection Process: The BSNL will be hired of eligible candidates based on performance in interview and take appointment basis on documents verification. As per sources appointed candidates will have 3 years of services.
BSNL Jobs 2016:

Applicants who are going to apply for BSNL Recruitment 2016 they would need to apply from 1st Dec to 10th Dec 2015. You can go to official site by using above links and download application form. For more information related to Jharkhand circle BSNL you visit on website i.e. externalexam.bsnl.co.in.

# য়াইথিংকোনু

*লোইতোংবম মনিহল*

## হাওবনা খুমন্দা লাকপা

"শাবী 'বুংঙো নুংশিবা, লোইবী হাওবা নত্তেদো
লাইবক থীবী ননাওগী, নুংশিজবা ইবুংনি।
পোইরৈ লমদম অতাম্বা, লোইবী চীংদা লৈখ্রবা
পোকমিন্নবা ইবুংনি, চীংগী হাওবা মহাকসে।"
খুমন কাওবৈ মফমদা, পাওমেল্লক্লে কোনুদো।
নুরাই য়াৱা তারগা, খুৎশু থাঙলেন থল্লগা
ইবাই হায়না খুরমখি, খুমন নোংয়াই কাওবদো।
"চীংগী ইবুং নুংশিবা, নচন ঐবু কাউরবোই
লোইদাম অশুক কুইববু, কোরৌ নোংমা লাকপিদা
নচন লৈরি থিবিদা, লমদম কৈদা লৈরুবা?
লাইবক থীবী নচন্দি, পোইরৈ খুমন পুংশিদা
কেগে ইবুং লৈতগুম, মোইরাং ইপৱা ফুইদগুম
পোইরৈ লোক্তাক ৱাংমদা, কয়া ৱানা খাঙলিবা।"
খুইয়োন মাগী মাঙদা লেপ, নুরাই মীৎলু অনীদো
লাইজ তরঙ হৌগুম্না, পাওমেল্লক্লে কোনুদো।
"চীংদা তোংবা নবুংদি, লৈত–লাইরা থিবদা
চকপী উচান খাংলুঙৈ, ইচন লুহোং য়াওঙমদে
ইচনগীনি হায়দুনা, হুইত্রি অমা পুরক্লি।
করি পীবা ঙমখিদে, নবুং হাওবা ঐহাক্তি
ঙসি কোরৌ নোংজাদি, অওং–অউন পীগে খন
ইচন লৈবা মায়কৈদা, নবুং ঐনা লাকপনি।"
কিবনদি থক–থক নিক, পাওমেল্লক্লে হাওবদো।
"করিগী 'দুক কিবনো? নচন লৈরি কিগনু
চীংগী ইবুং নুংশিবা, কদাই পীরকও হুইত্রি
নচন ঐনা খৌরাংনা, ঙাইজরিবা অউন পোৎ।"
খুইয়োন মাগী মখুত্তে, হুইত্রি লৌখ্রে কোনুদো।
"ইবাই 'বুংঙো নুংশিবা, ইবাইগী খঙদবনা
নশেন ঐনা লানখিবা, ঙাকপিরম্মু ইবাইনা।"
খুইয়োন মাবু খুরম্না, পাউমেঞ্জরি খুমন্দো
"করি ইশেন লানগনি? লাল্লিবদি নবাইনি
থাজা মশিং য়াল্লফাও, ইচন লৈরি কাউরুবা
কোরৌ নোংমা লাক্তবা, নবাই ঐনা লানবনি।"
পিরোইনবা থম্মোয়না, খুমন মাগী মাঙদুনা
খুমন মাবু চিংনা য়েং, পাউমেনলক্লে হাওবদো,
"ঙসি কোরৌ নোংগাশোই, নচন মোইরাং চনুগী
মোংবা শঙ্গাই তমদুনা, খুমন লমদা লাকপিবা
নশেন ঐগী পাইমনুং, পিবুক হাক্লা পেল্লেদো।
খুমন ঐগী ইরৈপুং, কোরৌ নুমিৎ খরদং
নশেন কংলা কাখ্রিঙৈ, নচন খুমন লৈমগা
মোংবা য়ুমঙাকপিরম্মু, নশেন কংলা খোঙদোইগে
হাওবা মাবু চিংনা য়েং, পাউমেঞ্জরি খুমন্দো।
খুমন মাগী মতৌদা, কেগে খুইয়োন হাওবদো
করি পাউখুম পীগবা, মশা শাগন তেক্লবা
ইখৌ লাংবা খোইমুনা, মালং মাগী মতেংনা
লৈরাং নাক্তা পাইরগা, লৈরাং লৈহী চুপচবা
কনাদা তেংথারুনি, মালংবদা শাউগদ্রা?
লৈশ্লে চেকয়া চাক্তাবা, লাইজ ইনম কাইঙমদা
কুমগী নোংহৌ লাক্লগা, লাইজ তরঙ হৌরকঙৈ
চেকয়া চাবা লৈশ্লৈনা, হরাও মোমোন মিনোক্লা
ঈচেন ঈপাক তল্লকপা, কনাদবু ৱারৌনি?
কুমগী নোংহৌ শাউগদ্রা, ৱারৌগদ্রা লাইজদা?
অকি তুজুং মাঞ্জুরক, পুক্লিং থম্মোয় মরাং হৌ
চিনবান কঙ্গাঙনরবা, "য়াম্না ফনি শেল্লৌরেন
নবাই মোংবা য়ুমঙাক্লে, খুমন কংলা কাবিরু
য়াৱা পাওমেন্নখিবা, খুইয়োন চিনবাহ্নোংদগী
হাওবা পাউখুম পীখিবা, খুইয়োন মফম খঙখিদে।

মথঙ মথঙ...

# চিঙ্গাক্কী লায়েং

*তেলেম যোগেন্দ্রজিৎ*

## নুংশিহীদাক

নুংশিৎকী অফবা হীদাক্লি হায়দুনা নুংশিহীদাক নৎত্রগা মনম নুংশি হায়দুনা নুংশি–হীদাক কৌরম্বসু য়াই। এনশাং অমসুং মরোই ওইনা ঐখোয়গী লৈপাক্তা শীজিন্নে। তৌইগুম্বসুং অফবা হীদাকশিংগী মনুংদা অথোইবা অমনি।

কান্নবা–চাব তুমদবা, নুংশিৎকাবা, খোংহাম্বা–পুকথিনবা নুপীগী ঈ গী লায়না–থাগী খোংকাপ ফত্তবনচিংবদা য়াম্না কান্নরবা হীদাক্লি। মোক অমসুং চাকখাওগী লায়না কয়ামুক কান্নে। নুংশিহীদাক্তা এরোমেটিক ওইল অমসুং মেনথেল মরাং কাইনা য়াওরি। মসিদা নত্তনা য়োৎ অমসুং ভিটামিনগী শরুকসু য়াওই।

১। নুশিহীদাক শুগী মহী তোলা ৩ গোলমরিচ মরু ৩ খোই হিগা চামচা অমা য়াল্লগা থকপা পুকচৎপা খোংহাম্বা অমসুং পুকথিনবগী অফবা হিদাক্লি।
২। মনা অকংবগী মকুপ য়াহিদাক ওইনা শীজিন্নরগা য়াগী লায়না পুম্নমক ফৈ।
৩। ফীরাক ফত্তবা মীদা নুংশিহীদাক্কী চা নুমিৎ খুদিংগী পীথকপা য়াম্না কান্নে।
৪। নুপীগী ঈ থাগী খোংচৎ কাইবদা নুংশিহীদাক চামচ ৩ খোইহী চামচ অমা য়ান্নরগা নোংমদা ৩ লক পীথকপা কান্নগনি।
৫। থগোকপদা নুংশিহীদাক নোইখাইবগী মনম নমহনবা অমসুং মহী পীথকপা য়াম্না থুনা ফৈ।
৬। শঙ্গোমদা নুংশিহীদাক ফুৎলগা থকপদি পুক্কী লায়না অয়াম্বা মাংই।
৭। নুংশিহীদাক মহী নাকোংদা হৈজিল্লগা তীল শী।
৮। নুংশিহীদাক মনাগী মহীদা থুম অমসুং খোইহী য়াওনা থক্লবদি পুক্কী তীল শী।